## ৱারী মচা

# নুংশি চাংয়েং

### (এ ত্রাইয়েল ওফ লব কৌবা ইংলিসকী ৱারী মচা অমদগী হন্দোকপা)

**রাজকুমার মধুবীর**

পুং ৬ তাগদবা মিনট তরুক ৱাংলি – তাকলি নিয়ু য়োর্ককী গ্রান্দ সেন্ত্রেল ষ্টেসনগী নোটিশ বোর্ড মথক্তা লৈরিবা ঘরীদুনা। ৱাং চাওরবা লেপটিনেন্টদুনা মমায় হাইগৎলগা য়েংই। মমীৎ খুরপ উইশিল্লগা মতমদু মপুক্লিংদা খঙজিনবগুম তৌই।

মাগী মথমোয় মিহুল চোংঙকপগুম ফাওই, মশাপুন্বা তনিক তনিকপগুম তৌই। মিনট ৬ কী মনুংদা, হৌখ্রবা থা ১৩ চুপ্পা মথমোয়দা খৌরাংনা লৈরক্লবী মশক্তি অমুক্তা উখিদ্রিবী অদুবু অর্থ চেল্লবা ৱাহে কয়া কয়াগী চিঠি ইরক্তুনা মাগী থমোয়দা খোইদাহন্দুনা লৈরক্লবী নুপীদু উরগনি খল্লি।

লেপটিনেন্ট ব্লেন্দফর্দনা হৌখ্রবা নোংমগী মীৎকুপশিংদু নীংশিংই। য়াম্না খুদোং থীনিঙাই ওইরবা লাল্লোং অমদা মখোয়গী প্লেনবু য়েক্লবগী প্লেন কয়ানা কোয়শিনখিবদু। মানা চিঠি অমদা মহাক য়াম্না তোয়নরা অকীবা হেক হেক ফাওরকই হায়না নুপীদুদা ইখি অমসুং শোক্লরিবা লাল অদুগী নুমিৎ খরতগী মমাঙদা নুপীদুনা অসুম্না ইরকখি।

‘‘চুম্মী অকীবা হায়বসি করি করিগুম্বদা ফাওনদবা নত্তে .... লানয়াইদা মথৌনা লৈবা মীওই খুদিংমক অকীবা পোকনবা ঙাক্তনি। তুংদা করিগুম্বা নহাক্না অদুম্না কীবা ফাওরক্লবদি ৱাহৈশিংসি ঐমক্কী খোঞ্জেলনি হায়না নিংউকো, চুম্মী ঐনা কৈগুম্বা অশিবগী খয়াত্তা তাবা তারবদি করিগুম্বা অমাঙ–অতা খিবিক্কী করিমত্তা কীফম লৈতে ...।’’ খুদক্তুমত্তা নীংশিংলকখি অমসুং মঙোন্দা অনৌবা থৌনা অমা হাপ্পকপগুম ফাওখি।

হৌজিক্তি মানা নুপীদুগী অশেংবা খোঞ্জেলদু তাবা ফংলগনি খনজখি। পুং ৬ তাগদবা মিনট মরিখক্তা ঙাইরে।

লৈশাবী অমা মাগী মনাক য়াম্না নক্না চৎখি, লেপটিনেন্ট ব্লেন্দফর্দনা মাবু মুন্না য়েংই। লৈশাবীদু লৈ অমা চিল্লি, অদুবু মানা নীংলিবা লৈদুদি নত্তে। নুপীদুনা মাগী মশক খঙন্নবা হায়খিবদি পীক্তকপা অঙাংবা গুলাপনি। অদুগা, লৈশাবীদু শুপ্নগী চহী ১৮ মুক্তা শুরমগদবী মাল্লি, হোলীজ মেন্যালনা হায়খিবদি মহাক্কী চহী ৩০ শুরক্লে অসিনি, অদুবু করি কায়বগে? ব্লেন্দফর্দনা পাউখুম পীখি, ‘‘ঐগীসু চহী ৩২ নি।’’ অশেংবদি মাগী চহী ২৯ দা ঙাইরিবনি।

মানা অদুঙৈ ট্রেনিং কেম্পতা লৈরিঙৈদা পাখিবা লাইরিক্তু নীংশিংলকই – ২ শুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাওদা সিফাইশিংগীদমক লাইরিক লিশিং লিশিং মীওই কয়ানা দান তৌরকখি। লাইরিক অদুগী মমিং ‘‘ওভ হ্যুমেন বোন্দেজ’’, মনুংগী লমায় মতেক মতেক ৱাখল্লোন্দা মাগী মোৎ ফোঙদোক্লদুনা ৱাহে পরেং মতেক মতেক ইরম্বা থেংনৈ। নুপীনা নুপাগী ৱাখল্লোনবু অসুক্কী মতিক কুপ্না খঙলম্বশিংদু খল্লুবদা মহাক ঙক্তবা ঙমদে।

লাইরিক মখুমগী মনুংগী লমায়দা নুপীদুগী মিং ইরম্মী – হোলীজ মেন্যাল। নিয়ু য়োর্ক্কী টেলিফোন ডিরেক্ত্রিদগী মাগী লৈপম খঙবা ঙমখি। নোংমা মানা চিঠি অমা ইখি অদুগা নুপীদুনসু পাউখুম পীরকখি। মথংগী নুমিত্তা ব্লেন্দফর্দ অমদি মাগী টুপ্তু সমুদ্র ৱাংমা লান্না চৎপা তাখিরম্মী, অদুম ওইনমক হোলীজ মেন্যালগা চিঠি ইনবদি লেপ্তনা চখরি।

থা ১৩ চুপ্না চাং নাইনা চিঠি ইনৈ। ব্লেন্দর্ফদকী চিঠি থুংলবা নংদ্রিঙৈদা মেন্যালগী চিঠিগী লেপ্তনা থারকই। মখোয় অনীমক অমনা অমবু নুংশিনরে হায়না চেৎনা থাজনরে।

অদুবু হন্না হন্না হায়রক্লবা ফাওবদা মেন্যালনা মশাগী ফোটো থারকউ হায়বদুদদি য়াবা লৈখিদ্রে। মানা অসুম্না ইরকখি, – ‘‘নহাক্না থম্মোয় শেংনা ঐবু নুংশিবীরবদি ঐগী শক্কী মরমদা খনফম থোকপ্রা? খল্লোনে .সে শক ফজরে হায়না। ঐগী ৱাখলদা নহাকসে ফজবী মায়থোঙদতা ঙাওজবা নুপা ওইরমগনি নিংই মদুগী মনুংশিদুদি ঐদি তুক্কচৈ । করিগুম্বা ঐনা শক থীরন্নবা (ঐগী ৱাখলসে নহাক শোয়দনা য়াগনি নিংই), ঐ ইথন্তা চিংনজৈ মদুদি নঙনা ঐঙোন্দা চিঠি ইরক্লিবসে নহাক নথন্তা লৈবা হৈনদদুনা মতম লেন্নবা ইরকখিবা ওইরম্বা য়াই। হায়রক্কনু ঐগী ফোটো পীয়ু হায়রক্কনু। নহাক্না হয়েং নিয়ু য়োর্কতা থুংলবা মতমদা নঙনা ঐবু উগনি অদুগা নঙগী পুক্লিংগী অপাম্বদু তৌবা য়াগনি।’’

তরুক তাগদবা সুপ্নগী মিনট অমত্তা মঙাইরে অতোপ্পা চুরুপ অমমুক চম্মী। লেপটিনেন্ট ব্লেন্দফর্দ মথমোয়দা তনিক তনিক মিহুল চোংলকই।

নহা ওইরিবী নুপী অমা মানা লৈরিবা মায়কৈ অদোমদা চঙলকই। মশা পাতক তৌই অমসুং ৱাংই, জ্বাই জ্বাই লাওরবা মাগী শন্নাংনা নারুমদগী তুংগী লেংজুমদা ঈথক ঈপোম হৌবগুম চাইথখ্রি। মাগী মীৎলুশিংদু শংবান্নবা লৈরাংগী মতৌগুম্মী। মাগী চিনবান অমদি মখদাংদু য়েংবদা ওন্থোক্লা পকচখ্রে। ঙৌরুননা শংবান্নরবা মাগী ফিজোলদু মাঙোন্দা ওন্থোক্লা পকচখ্রে – বসন্ত ঋতুমকনি হেক হায়নিংই। নুপীদু তম্না মানা চঙশিল্লি নুপীদুগী মশাদা অতরগুলাপ অমত্তা য়াওরক্তে হায়বদুমক মহাক্লা কাউথোকখি। মানা লেপ্তনা চঙশিল্লকপদু উরগা নুপীদুনা – ‘‘ঐগী লম্বেলদা অপনবা পীবীরিবা করিগীনো লান্মী?’’ অতপ্পা খোঞ্জেলদা হায়রকই।

সুপ্নগী খোঙথাং অমত্তং মাঙদা থাংজিল্লকই। থবাক্তা গুলাপ অমা থেৎলিবী নুপী অমা উরকই।

মহাক ঙসাইগী লৈশাবীদুগী মতুংমক্তদা লেপ্পি–চহী নিফুমুক শুরন্নগনি – পোক হৌরবা শম্না, উপলিবা মাগী টুপীদুদগী লিৎথরক্লিবদু উবা ফংই। কা হেন্না মশাদু নোয়–চাওই, মখোঙশিংদু লুম লুম লাওনা উই, অমদি ইপাক পাকপা খোঙউপ তোংই। মোৎতাই শুদাইনরবা মাগী কোত্তা থেৎলিবা গুলাপকী লৈদুদি হায়নখিবদু শোয়দ্রে।

শংবান্নবা ফিজোলনা লৈতেংবী লৈশাবীদুদি য়াম্না থুনা মফমদুদগী চৎখ্রে।

নুপী অনীদুগী মতৌদু উরগা ব্লেন্দফর্দ মথমোয় লৈতাফম খঙলক্তে। লৈশাবীদুগী মতুং ইন্দুনা চৎনিংলকই, অদুম ওইনমক মপুক্লিং লৈতানা খন্থে – কয়াদা থমোয় শেংনা নুপীদুনা মৱাহে কয়া কয়ানা মাবু থৌনা অমদি পাঙ্গল হাপখিবা! মহাক অদুম হৌজিক মাগী মাঙদা লেপলি। হায়ফেৎ তাইরপ তৌরবা, তনোয় তনোয়বা, অদুবু য়াম্নদি মবুক তপলমগদবা মানবীদো মাগী মাঙদা লেপলি, উৎকী মচুগুম ৱাওরপ তৌরবী মাগী মমীৎশিংদো য়াম্না মী খোনবগী মতৌনি।

লেপটিনেন্ট ব্লেন্দফর্দ পন্থবা অমুক তৌদ্রে। মাগী খুৎশাশিংনা পায়দুনা ‘ওভ হ্যুমেন বোন্দেজ’ গী মল্লবা লাইরিক্তু নুপীদুদা উৎলদুনা মহাক কনানো হায়বা খঙহননিংবগুম উহল্লি। মসি তশেংবমক নুংশিনবগী ৱা ঙাকসু নত্তে, তৌইগুম্বসুং নুংগী মমল য়ামখ্রবা তৌবীমল খঙবা অমা উৎপতনি। নুপী অদুনা উৎখিবা কখোকপা অমদি তৌবীমল খঙবদুগী অমসুং মরুপ ওইনা নুংশিজরুবগী খুৎফোঙদোক অমনি।

মমাঙমত্তঃদা মানা চপ লেপ্পী অদুগা মখুৎ থাঙ্গত্তুনা সলাম তৌই অমসুং লাইরিক্তু নুপীদুদা য়েংহল্লি, অদুবু মানা নিংজরুবা মপুক্লিংগী মবেম্মদুদগীদি কয়াদা খেন্নবগী অমা ওইরন্নবা।

‘‘ঐহাক লেপটিনেন্ট জোন ব্লেন্দফর্দনি – অদুগা নহাক মীস মেন্যাল ওইরোইদ্রনে? নহাক্না উনবা ফংবসিদা ঐহাক কনানো হায়বা ঐ খঙদে, নুপীদুনা পাউখুম পীরকই। আদা চৎখ্রিবা শংবান্নবা ফিজোল শেৎপী নুপী অসিনা ঐগী কোৎতা লৈ অসি থেৎলু হায়না পীরম্বনি। ঐঙোন্দা নঙনা মাগী মরম হংলক্লবদি লম্বী ৱাংমদা লৈরিবা হোটেলসিদা মানা ঙাইদুনা লৈরি হায়বীয়ু হায়রম্মী। মসি অতৈ করিসু নত্তে, চুম্নগী করিগুম্বা চাংয়েং অমা য়েংনিংদুনা তৌবনি হায়না মানা হায়রম্মী।

## শৈরেং

### খোঙচৎ

*নিংথৌজম ইবোপিশক*

তাম তাম খোংলি তান্নানা
চীংনুং মানুং লোক্তা অরাপ্পদা
য়ৈরি খোম্বাংনা কুহু কুহু
কোকিলগী খোঞ্জেলনা ব্রজ বৃন্দাবন্দা
পুক্লিং চঙনা নিংলি থম্মোয়নুংদা
চেৎনা থাজনা ঈশ্বর মাতবু
কাওঙমদনা মিকুপ পুংজা
পীজরি ভক্তিগী প্রাথনা।

তারি গির্জগী কাওশিংগী মখোল
তথকহল্লি থম্মোয়বু খোঞ্জেন্দুনা
প্রাথনা তৌজরি ভক্তা খুদিংনা
নিজরি খুয়াখাদা চেৎনা থাজবা।

চেম্থরি গঙ্গানা ঈচেল তপ্না
ঈতিন ফমদা তিন্নবা মোংহাদনা
ঙাইবিদে মতম কৌবা মানা
য়ৌখিনি মিকুপ্তা ঈপাক্তুদা।

### প্রাইজ

*মৈহৌবম মণিচন্দ্রা সিংহ*

ঐনা ফঙজগদবা প্রাইজ
মীগী ওইখ্রবা করিদি উপাই
লৌথোকঅগে, চাথোকঅগে খল্লবা
মী ঙাক্ত ঙাইবনিনা প্রাইজ ঐগী
পীবীদে মবুক ফজবা মরমসু ফংলমদে।
নিংজবা আসা প্রাইজ পীবিরমদে।
পুকচেল ফত্তবা নখোয়না ঐগী ৱাখল খনবীদ্রে।
মতোমমক্তা ফজরকপা মীবু নৈহৎপীবা।
ৱাখল খুদুম চনলে খল্লবা নখোয়না ঐবু।
চাওবনা ফংগদবা প্রাইজ তোম্বা ফংখি।
মসি হেক হেক থোকই।
নখোয় অসি পুকচেল কয়া পীখ্রবা।
অতাবী অলক খাইনদুনা পীবীদে প্রাইজ।
মীনম্বা অরানবা নমথাক্কী প্রাইজ।
বেট কয়ানা নৈহৎপীরবা ঐগী প্রাইজ লৌনম খুদুম চন্দুনা।
মীওই চাম্মা চাম্মা লৈ।
হৈ–শিংলবা কয়া ওন্ট পুন্ট তৌনদুনা লৌথোকখ্রবা প্রাইজ।।
ঙসি নখোয় হয়েংনা কনাগী প্রাইজ। মীনম্বা শোরিবা কয়ানা পীকথল্লবা লমদম অসিদা পৈশাগী প্রাইজ।
অচম্বা লানজদবগী প্রাইজ লৈতে।
হৌজিককী মতম। মতাংগী মতুংইন্না পৈশা শরুক্তি লাইবক শক্তি ঙাক্তনি ঙসি প্রাইজ অসে।

### চঙশিল্লু মাংলোমদা

*–এলাংবম ধনঞ্জয়–*

থম্মোয়গী ঈচেল লেপ্তরি
ৱাখলগী পরিং তৎতরি
পুক্লিংগী আশা কায়দরি
পুন্সিগী মৈরা মুৎতরি।

অমম্বা অহিং হৌখরে
অঙানবা অয়ুক ওইরক্লে
অৱাবা মতম লোইখরে
নুংঙাইবা তাঙ্কক য়ৌরক্লে।

নিংবা কায়রনু কৈদৌঙৈ
ওইরে অফবা ক্ষেনফম
নোক্লো হরাওনা মকাফন্না
পোখারো ৱাদনা নিংঙাইদনা।

লমজিং মৈরানা মাংখরে,
থৌনা লিংজেলনা তুংদা ইল্লে
লৌশিং লাইজনা থক্তা চেল্লে
য়েৎথাঙ ওইথাঙনা চুংগোই ওইরে।

চঙশিল্লো অথৌবা মাংলোমদা
পম্বুং য়ৌনবা লেপ্তনা
লাম্থোকলো অচৌবা ঈপাক
কাখৎলো অৱাংবা চীংদোল।

মিংচৎনা নঙবু ঙাইরিবনি
লনগৈনা নঙবু য়েংলিবনি
লেঙদবা, নুঙাইবা অপেনবা
নঙবু ওক্কনি লৈরিবনি।
তান্নবগী তৎতবা নুংঙাইবা
ফংবগী অপেনবা অথোইবা
অনৌবা পুন্সি পিবনি
থৱাইগী মঙাল হাপ্পনি।

### পুন্সি মতেক অমগী ৱারী

*– আরকে বিমোল*

চিংনবনা থল্ল ৱারীনি
অসুক শাংনা লোন্দিনরকপা
কাউথোকপা য়াদা ৱারৌরি
কয়া ঙকনা মোৎ খেন্নখ্রবা।

উশা অমতদা তোংমিন্নরম্বা
য়ারেক্লরম্বা উপাল
লালগী মপাউ পুরক্লে
পোম্বী লমফাং চৎলক্লে।
ৱাখল কঙাওনরক্লে লৈরাং
শীঙেল কুচু ওলখ্রে
কয়া ৱানা খাংনখি
থাপতোক্লরকখি নোংমা নোংমগী।

অনীগী ৱাখল লৈতাদ্রে
বিচার তৌঙমদ্রে কনাশু
মচেৎ তানা কায়খি অনী
খল্লুদরে কনাসু হৌখিবা।
ৱাফম অদুতনি হৌদোকউবা
হায় ৱাফমদুগী ৱা ঙাংঙক্কনু
ভাপ্পা শাবা ঙাক্পী
করম্না! চহী কয়া চঙনা থিরকইবা ঐবু।
লোইবা লৈতে ঙাঙনবা
খুদম চাংদম মক্তা
কাচিন কোইয়া থুংনা ঙাঙনৈ
ৱারবা মতমদা পোত্থানৈ।

য়াররোই খল্লে অমসু অমসু
কায়নবনা ৱারোইশিন ওইখি
খাংউথক্কী মঙলানগুম
ওইহনখি পুন্সি মতেক অমগী ৱারী।।

## তাবুনুংদগী

*(লময়ানবা হিজম ইরাবত মীয়ামগী লূচিংবা ওইবত নত্তনা কবি অমসুনি। কবি অসিনা ইবা শৈরেংশিংগী খোমজিনবা লাইরিক ‘‘শৈদম শৈরেং’’ ১৯২৯ দা অহানবা ওইনা ফোঙখি। ঙসিগী ওইনা লাইরিক অসিদা য়াওবা ‘‘অয়ুক’’ কৌবা শৈরেং অমা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### অয়ুক

নীংথিজরে অয়ুক সিন্দুর ঙাংশং তৈবিরে।
কনানা তৈবিরিবা নীংথিরবা সিন্দুরসে?
কনা উদুনা অসুক নীংথিনা নোক্লিবগে?
কনানা তম্বীরিবা অসিগুম্বা মীনোকসে?
নীংথি নীংথিরবা লৈরাং মখল মখা অয়াম্বা,
কনাদনো খুজোক থন্না থন্না কৎলিবা?
অতৎপা লৈতনা মুরুম মুরুম শোল্লিবা,
কনাবু খুরুম্বগী মন্ত্রনো শোল্লিবা?
নথবাক চোৎনা পী চদুম শীম্থরিবা,
কনাগীদমক্লো নঙনা অসুক কপ্লিবা?
নঙনা উরিবা মতিক চাউবদো কনানো,
অমুক্তা উহনবিয়ুগবা মতিক চাউবদো।
ভক্তিগী লৈরাং খুজোক থন্না থন্না কৎচগে,
মীত্তগী পিনা চরণ অনীদু শেংজগে।

**হিজম ইরাবত**

## মণিপুরী পান্থৈ পাওরৌ পাওতাক

৯০. **অঙম–অরায় খঙদবা**
– শোক্কনি পনগনি খঙদবা, থকসি–খাসি নাইদবা লীচৎ।

৯১. **অঙম তানবা**
– ঙম্নবা হোৎনবা, লিংজেন পানবা।

৯২. **অঙম অঙম্বা লাক্লবা**
– ঙম্ন–ঙম্নবা হোৎনবা, মীগী য়েংদবা।
– মশাগী শোয়দ্রগা লোইরে খনবা।

৯৩. **অঙাওবনা ফৌশুবা চরা নোংখন্নে।**
–শীংথাবীদবা মীনা নোং–ফাদোক তৌথোরকপা অফবা থবক।

৯৪. **অঙম্বনা হিংহৌবা মঙদবনা মাঙজখিবা মীওইবগী হৌনশানি।**
–অকনবা অশিংবনা হিংহৌবা অশোনবা অপঙবনা মাংজবা হায়বসি মীওইপোক্কী হৌনবনি।

৯৫. **অঙাও চাকচা**
– ময়ামগা মান্নদবা মওংগী খুৎচা–লাকচা।

৯৬. **অঙাওবা তারগা তোকপা**
–মহৈ চাদবা, মীনা নোক্কদবা থবক।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কা উনবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ ৱাকমা মাইবী**
**অইবাঃ অরাম্বম মেমচৌবী**
**ফোঙবাঃ রাইটর্স ফোরম**
**মমলঃ লুপা ৫০ /–**

মেমচৌবীনা ইবা ‘ৱাকমা মাইবী’ হায়বা নৈনবা ৱারেংগী লাইরিক অসি লামায় ১১৭ পানবা লাইরিকসিগী মমলনা লুপা ৫০ পীবনি। লাইরিকসি অহানবা ওইনা খৃষ্টকী কুম ১৯৯৯ দা অরাম্বম সমরেন্দ্রনা রাইটর্স ফোরম, ইম্ফালনা পদ্মা পিন্টর্স, পাউনা বাজার ইম্ফালদা নম্নগা পুথোকপনি। লাইরিকসিগী মখুম্না আর কে থম্বালস্নানা শেম–শাবনি। নৈনবা ৱারেংগী লাইরিকসিদা নৈনবা ৱারেং তরানিথোই য়াওরি। মদুদি ‘ৱাকমা মাইবী’ ‘জননেতা ইরাবত অমসুং নুপী’, ‘খুৎমাবী অইবী অহুম’, ‘মণিপুরী সাহিত্যাদা নুপী চরিএ’, ‘শৈরেংঃ নীংতম্বা অমসুং নুপী’, ‘ জি সি তোংব্রাগী নুপী চরিত্রৈ’, জি সি তোংব্রাগী লীলা মচা’, ‘মীৎয়েং’মদা ইরাবতকী ইমাগী পুজা’, মণিপুরী শৈরেংদা অনৌবা য়াওন’, ‘মণিপুরী সাহিত্য নুপী লাল’, ‘নুপী লাল’, অমদি ‘মঙামলাগী চীংদুম পরেং’ অসিনি। মেমচৌবীনা খৃষ্টকী কুম ১৯৮০ গী মতমসিদা মণিপুরী শৈরেংদা অনৌবা য়াওল অমা পুরকখি। মহাক্কী নৈনবা ৱারেংগী লাইরিকসিদা পুখৎলক্লিবা মরু ওইবা হীরমসি অনীনি। অমনা মণিপুরী জাতিগী আইদেন্টিটি অমদি নুপীগী রাইট অসিনি। মেমচৌবীনা মণিপুরী শৈরেংগী অনৌবা য়াওল অমসু মহাক্কী নৈনবা ৱারেংগী লাইরিকসিদা পীনবা হোৎনরি। ‘ৱাকমা মাইবী’ ৱারেংদা অইবীনা য়াম্না ঙল্লিঙৈগী মতমদগী মণিপুরী সাহিত্যদা নুপীনা লাইরিক ইবগী থবক অসিদা চঙশিল্লকম্মী হায়না ফোঙদোকই। মণিপুরী সাহিত্যাদা নুপীগী মরমদা ইবদা থোইদোক্লা মপুক্লিং চঙখিবা মণিপুরী সাহিত্যাগী অইবা জিসি তোংব্রা অমদি হিজম ইরাবতকী লাইরিকশিং নৈনদুনা মণিপুরী সমাজদা হিংলিবা নুপীশিংগী মফম অমা পীনবা হোৎনরি। অমুকসু ‘ খুৎমাবী অইবী অহুম ’ হায়বসিদা মণিপুরী সাহিত্যাদা অহানবা ওইনা চঙলকখিবা অইবী অহুম হায়বদি মহারাজকুমারী বিনোদিনি, তখেল্লম্বম থোইবী অমদি খাইদেম প্রমোদিনি অহুমগী মরমদা নৈনদুনা মণিপুরী সাহিত্যাদা নুপী অইবীশিংগী তিওক্সনবু মশক তাক্লবা হোৎনরি।

লাইরিকসিদা য়াওরিবা থোইদোক্লা শীংথনিংঙাই ওইরিবা ৱারেং অমদি খৃষ্টকী কুম ১৯৯৩ দা ‘‘অশৈলূপনা ফোঙবা ‘শৈরেং’ চেফোঙদা ফোঙখিবা ‘মণিপুরী শৈরেংগী অনৌবা য়াওল’ হায়বসিনি। ৱারেং অসিদা মণিপুরী সাহিত্যদা মোদর্নিজম হায়বসি লোইশিন্দুনা পোষ্টমোদর্নিজম হায়বসি শাগৎলকখি। তাইবীসিনা মতম শাংনা চৎনদুনা লাক্লবা ইংলিস অমদি সংস্কৃত পোইটিক্স অশোয়বশিং মহাক্কী নৈনবা ৱারেংসিদা পুথোরকই। মোদর্নিজমনা মণিপুরী সাহিত্যগী মপুং ওইনা প্রোব্লেমসি ইন্টলেকচ্যুল প্রোব্লেম্নি অসি নেস্নেল প্রোব্লেম্নি ফোঙদোকখি। য়ুরোপিয়ান পোইটিক্সনা য়ুরোপ্পা অথোইবা ওইহল্লগা মতায় লমদমদা লৈরিবা জাতি পুম্ববু মখোয়গী মখা ওইনা থম্ননবা নাৎ, লোন, সাহিত্য, রাজনিতি, শেম্মীৎলোন অমদি ৱাখল্লোনগী ওইনা নমথদুনা থম্ননবা হোৎনৈ হায়না লৌখি। মদুদগী মুক্তি ফংননবা ঈহৌ অমা শাগৎলখি। মেমচৌবীনা ইরি – ‘‘১৮৯১ দা মণিপুরনা বৃটিশকী মখা পোন্দুনা মীনাই ওইখ্রবা তুং অমসুং বৈষ্ণব প্রভাবতগী অকনবা শাফুনা মণিপুরী ধর্ম্মগী পুন্সিদা অকনবা শাওম নৈখ্রদুনা ধর্ম্ম অদুগা লোয়নরকপা বাংলা লোয়ননা মণিপুরী লোনবুসু লোই চনশিনখিদুনা শিরুম নারুম্নবা তুংদা বৃটিশনা পুশিল্লকপা ইংগ্রেজি সাহিত্য অমদি বাংলা সংহিত্যগী ঈশিং চাইদুনা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য নিং নিং হৌগৎচরকখি। বাংলা ময়েক অমদি বাংলা বানানগী শাদোংদা তোংদুনা’’ অইবীনা হায়নীংলিবসি অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য শাগৎলকপদা বৃটিশকী পোলিটিকেল ইমপ্রেলিজম অমদি মদুগী মাঙওইনা ১৭ শুবা চহী চাদা চঙলকখিবা ইন্দিয়ান ইমপ্রেলিজম অনীগী চৈথেং ফংখিবনা মণিপুরী সাহিত্য হায়বসি মখোঙ লৈবাক তাদবা মওংদা হৌরখ্রে হায়বসিনি। মহাক্কী ৱারেংসিদা মণিপুরী সাহিত্য হায়বসি অঙনবা মণিপুরী সাহিত্যগা শমজিন্নদুনা অনৌবা মশক অমা শাগৎনবা হোৎনরি।

**আর জে মীতৈ**

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***মে ২২,২০১৬, নোংমাইজিং***

নোংচুপ হারম খোরজৈ লুপ অশম্বীদা নোহাখোল, য়ুরেম্বম্না শীন্দুনা মণির প্রেস ক্লব, মেজোরখুল ইম্ফালদা ডা. আই এস য়ুম্নামনা ইবা ‘‘খোংজোমনুবীগী শজীক্লোয় নুরাবী’’ হায়বা মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙখ্রে।

থৌরম অসিদা কমল তোইজাম্বা, তেলেম অবির নীংশিং মনা ফংলক্লবা অমদি শারুংবম বীনোদিনি দেবী, ডা. যামিনি সাহিত্য মনা ফঙলবী, লূপ অসিগী মেম্বর অনীবুসু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা তরাম্না ওকখি।

ফোঙলবা শৈরেং লাইরিক অসিগী মরমদা ডা. শগোলশেম লনচেনবা মৈতৈনা ৱা ঙাংখি।

**মে ২৫, ২০১৬, য়ুমশকৈশ**

ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জৈ লূপ অশম্বীদা ইমাখোল, অৱাং পোৎশংবম্না শীন্দুনা লূপ অসিগী মিংদা ফোঙবা ৫৯ শুবা লাইরিক অমা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবা মতমদা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরীগী হোলদা ফোঙখ্রে।

থৌরম অসিদা এলাংবম লতাকিশ্বর, চীফ লাইব্রেরীয়ননা অথোইবা লেঙবিরকপা, ইমাখোলগী প্রসিডেন্ট, কেশো সিংহ ইরেংবনা থৌরম মপু, সাপম ভৈগ্যা হান্নগী জোইন্ট ডিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা অখন্নবা লেঙবিরকপা ওইনা ডাইজদা লেঙশিনবিখি।

ফোঙলিবা লাইরিক অদুদি বাংলাগী শক্লাইরবা অইবা শরতচন্দ্রগী লাইরিক্তগী পুস্পা গোয়লনা হিন্দীদা ‘‘নব বিধান’’ হায়না হন্দোকপা উপান্যাস অদুদগী অমুক ‘‘অনৌবা ৱারেপ’’ হায়না মিংথোন্দুনা অবুজম ইবোপিশক লুৱাংনা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা ফোঙবনি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা ডা. শরকচন্দ্র লেঙজোম্বা, এসিষ্টেন প্রোফেসার, দি এম কোলেজ ওফ আর্টিস অমসুং কুঞ্জো নিঙোম্বা, হান্নগী প্রসিডেন্ট, নোহাখোলনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংখি।

**রাজেন খুমুকচম**